# কুকি-মীতৈ-কনফ্লিক্ট, লোইনাইদবা ঈরাংলা?

মণিপুরদা ঙসি মীতৈ-কুকি উংখৎনরিবা, অউ-অউ হাৎনবগী থাক্তা য়েংথীনরিবা ঈরাংসি ঙসিদি 'মণিপুর মচেৎ তানা, অনী নৎত্রগা অহুম থোক্লা থুগাইবা' অমসুং 'মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই' হায়বা 'নেরেটিব' (ৱাহৈগী শক্তম) অনী অদোমদা হুমদুনা পুখ্রে। ৱাথোকসিগী অহৌবা ওইখিবা নুমিৎ মে ৩, ২০২৩ অমসুং নুমিত্তুগী মমাঙ মঙা-তরানিদগী থোক্লকখিবা থৌদোকশিং অদু নীংশিংলুরবা, ৱাথোকসিগী ৱারী শাগৎপদা ইন্টরেষ্টিং ওইবা মশক অমা থোক্লকই। চামরক, লিশীংলক লীনরবা ৱারীনি। নৌনা অমুক শন্দোক্লুবা মথৌ তাদ্রবা। মণিপুরগী ওইবা পোলিটিকেল ইস্যু খরদা পেন্নদ্রবা চীংমী ঈচিল ইনাওশিংগী ঈহৌদি হৌখিবা চহী কয়াদগী হৌদুনা লাকই। পূন্নমক্তু থোইদোক্তে। হৌখিবা চহী অম'নী, থা খরসিদদি মীতৈশিংনা 'সিদ্যুল্ড কাষ্ট ষ্টেটস' তানবগী দিমান্দ-চীংমীশিংনা ওপোজ তৌবা ... বিরেন'না লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক্কী ৱার ওন দ্রগস অমদি রিজার্ভ ফোরেষ্ট কনবগী অকনবা এক্সন ... ইস্যু অনী অসিনা কুকি কৌবা ত্রাইবেল কাঙলূপ অসিবু অপান্ননা শাউহনখি। মণিপুর হায় কোর্টকী য়াথং অমদা পাউথোং ওইদুনা মণিপুরগী ত্রাইবেলশিং অমত্তা ওইনা য়াথংদুগী মায়োক্তা লেপ্পী উৎননবা খোঙচৎ (সোলিদরিটি মার্চ) অমা শীনখি। মদুগী মতুং তারকপা থৌদোকশিংগী ৱারীদুদি - লীরুবই করি কান্নবা! মালেম শীন্না খঙনরবা ৱারীনি।

লাইবক থীবা, থোকহন্নীংদবা থৌদোক্নি। অসুম্না ওইরক্কনি- চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, মোরেদা লৈবা মীতৈ মীচম কনানসু খনখিদে। তম্পাক লমদা লৈবা কুকি অয়াম্বনদি থোক্লগদবা থৌদোকশিং মাঙজৌননা খঙলমখি। পাক্তক্লনা এদভান্স ছুটি লৌরম্বা মে ৩গী নুমিদাংৱাইরমদুমক্তদা মশাগী কার তোংদুনা শাফগদবা মফমদা চেন্নরম্বা'... চুড়াচান্দপুর অমদি অতৈ কুকি খুলগী মীশিংনা চেঙ-চাক-হৱাই-চেঙৱাই পৈশিন্নরম্বই ৱারী - কোন্না লীথোক্লরকখি। ঐগী মরুপ চুড়াচান্দপুরগী ময়ূম-ইঙ্খোল য়োম্থোক্তুনা ইম্ফালগী ন্যু চেক্কোন'দা খুন্দাদুনা লৈরিবা অমদি মে ৩গী নুমিদাংদুদা মণিপুর ৱাংমা লান্দুনা মেঘালয় তম্না চেল্লন্মী। অথাপ্পা খুঙ্গং অমদা ভারাদা লৈ পাউদল্লকখি নোংমা।

মে ৪, ঈরাংদুগী নীনি চনবা নুমিৎতুদা এয়র ফোর্সকী অচৌবা এরোপ্লেন ময়াম পাইশিল্লক্তুনা সেন্ত্রেল ফোর্স হোনজিল্লকপা হৌবদুদা পূন্নমক্লা খন্নখি - ঈরাং কন্ত্রোল তৌরনি। রাইওট থোকপা মফমদা আর্মি'না 'ঐখোয় লৈরি ৱাগনু' হায়বা পাউজেল পীননবা 'ফ্লেগ মার্চ' কা হায়নবদু নীংশিংলকখি। কাঙলূপ মশেল হাৎনবগী ৱারী কয়া তাখ্রে, থৌদোক কয়া থোকখ্রে। মণিপুরদা থোক্লিবা অসিগুম শাংথনা, কুইথনা মখা চত্থরকপা, কাঙলূপ অমনা অমবু মাগী-মাগী লৈফমদগী তান্থোরকপই থৌদৌদি থেংনখিদে ইতিহাসতা। খন্নরম্মী - ৱাথোকসিগী ৱান্ধ, মরম অহুমদগীনি - (১) দ্রগ য়োনবা, শুংবা অমসুং পীজবগা মরী লৈনবা, অকি-অখং থোকহনবা (নার্কো টেররিজম) গী ইস্যু; (২) কাঙলোন লান্না মীরৈবাক্তগী চেনশিল্লক্তুনা খুন্দারবা মীগী মশীং কা হেন্না হেনগৎলক্লিবসি থিংবা অমসুং মশক খঙদোকপগী ইস্যু অমসুং (৩) উয়োক (রিজার্ভ ফোরেষ্ট) ওইনা ঙাক শেন্দুনা, য়োক্তুনা থমগদবা মণিপুরগী য়াল্লবা চীংগী লমশিং উ-ৱা য়াম্থৎতুনা খুঙ্গং ওম্থোকপা অমসুং পোপী পান্বী থাজিনবা।

অদুবু মে ১২, ২০২৩ কুকি এম এল এ তরা'না (অমদি শোক্তুনা দেল্লীদা লায়েংদুনা লৈরিবদু য়াওনা) মিজোরামদগী 'ঐখোয় মখা তানা মীতৈশিংগী মীওৎ মীনৈ খাঙবা ঙম্লরোই, মখোয়গা লৈমিন্নবা ঙম্লরোই, মণিপুরদগী তোখায়বা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন অমা লীংবা নত্তনা ঈরাং অসি লোইশিন্নবা অতোপ্পা পাম্বৈ অমা লৈররোই' লাউথোরকপা অদুদগী ঈরাংসিগী মায়ওন খঙহৌদনা হোংলকখি। নার্কো টেররিজম, ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেসন অমদি এনভাইরনমেন্টল প্রোটেক্সনগী স্লোগান মথক্তা 'মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই' হায়বা খোল্লাউসিনা ননশিনখি। কুকি এম এল এ তরামক, কুকি-নার্কো-টেররিষ্টশিংগী কোক্লেন ওইরিবা ওর্গনাইজেসন অনী (আই টি এল এফ) অমদি কোটু) গী তান্থাদা জগোয় শাবা ওইরমখি। মে ৩দগী হৌখিবা ঈরাং, মে ১২দগীদি য়ূমলোন্নবা ষ্টেট 'মিজোরাম' সু মেজোর-প্লেয়র অমা ওইনা য়াওশিল্লকখি। এম এল এশিংগী পূনফম অমদি উন্নফম-মিজোরামগী কোনুং 'আইজোল' সহর'দা ওইরকখি। মে ১২দগী ২৯ ফাওবগী মতম, কুকিশিংগী ওইনদি য়াম্না মরু ওইবা তানফম অমা ওইখি। মতমসিদা ৱারেপ অমা লৌখি। ৱারেপ্তুগী মতুংইন্ননি - হোম মিনিষ্টর 'অমিট শাহ' না মণিপুরদা লাক্কদবা নুমিৎ (মে ২৯) অদুগা কুকি মিলিটেন্টশিংগী এটেক অদুগী অনীশুবা ফেজ-ইম্ফাল ভেল্লি অসিবু মায়কৈ খুদিংমক্তগী লান দাদুনা লৌশিনবগী পান্দমদা অকনবা এটেক হৌরকখিবা। 'অসুম তৌরক্কনি' - ইফতা ফনা খনবা মীতৈশিংনা শুকখন খনখিদে। নুমিৎ তরাতরেৎনিগী মতমদু কুকিশিংগী সেল্ফ-রিএলাইজেসনগী মতমনি - মীতৈশিংনা খন্দোকখি - তপ্না ঈরাং নেমথখ্র'নি।

অনীশুবা ফেজগী খ্বাইদই কনবা এটেক শুগুনু অমসুং সেরৌ'দা তৌরকখিবা অদুনি। মদুগী মতুং তাবদুদি ইরুবগী কান্নদ্রে। মালেম হুপ্না খঙনরে। ঙসি ফাওবা হন্দ্রি। মওং অমরোমদা হেন্না কনশিল্লক্লি হায়বা য়াই। থা ৯ হৌখ্রবা মতুংসিদদি কুকিশিংনা নোংমৈ অমসুং বোমগী এটেক চত্থবগী মথক্তা চীংদগী হৌরকপা তুরেলশিংগী ঈশিংদা মখল কয়াগী পোৎ, থাওথীনচিংবা হৈথদুনা য়ানশিনবা ঈশিং পীথক্লবা চাংয়েং তৌরি। কাইনথংদা মীতৈ তুম্না হাৎনবগী পান্দমদা হু হৈথরক্কদৌরিবনি। ধর্ম্ম-কর্ম্ম করিনো? হ্যুমেনিটরিনিয়ন কন্সিদরেসন করিনো? য়ুনাইটেদ নেসন্স'গী 'জেনেভা কনভেন্সন' না করি হায়রি? শাগী থাক্তা লৈরিবা কুকিশিং, ৱাখল খন্থনবগী মচাক করিমত্তা য়াওদবা, দল্লিয়ু ৱাই টেল্লেটকী ময়াইদুনা লাম্থেংনরিবা লান্মীনি, করিমত্তা খঙলম্লোই। ময়ূম-মরমদম, হৌরকফম মফম খঙদবা, হিংবা-শিবা অনীগী খেন্নবা লৈতবা, পূন্সি-মমল খঙদবা, মীরমদই হাইজিল্লকপা ঙাক্তনি - লান ঙম্বা-ঙমদবা, অমত্তনি মখোয়দা। মখোয়গী থৌদাং অমত্তনি- কম্মান্দরগী কম্মান্দ ইন্দুনা মীতৈশিংবু লোইশিনবা। লানফমদা লান্মীগা মায়োক্লবা নত্তবা, খূৎলায় পায়দবা মীচমদা ওনশিন্দুনা লান্দাবা... কুকিশিংগী অকন-অথৌ' থবক্লি।

মথক্তা পঞ্জখিবা কুকিশিংগী এটেক অসিগী অঙনবা মতম - নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল মীদিয়া'দা কুকিশিংনা মেনিপুলেট তৌবা, শেমজিনবা পাউ কয়ানা, মীতৈশিংবু মীফত্তা ওইনা উহন্নবা ঙাইরিঙৈ - ঈরাং অসি মেজোরিটি-হিন্দু মীতৈশিংনা মাইনোরিটি-কুকি-খৃষ্টিয়ানশিংবু মণিপুরদগী মূথৎনবা/তান্থোক্নবা অকনবা এটেক চত্থরে লাউথোকখি। মে ৩, ২০২৩ - ঈরাং অসি হৌদ্রিঙৈ মমাঙদগী নেসনল মীদিয়া-রিপোর্টরশিং চুড়াচান্দপুরদা ষ্টেসন তৌদুনা লৈরম্বগী পাউ কোন্না খঙনরকখ্রিবদুনি। মখোয়না কয়ামুক য়াম্না সিষ্টেমেটিক ওইবা মীদিয়া প্লান্নিং তৌরমখ্রবগে হায়ববু- ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টরদা, ইজরেলিশিংগী চাদা-নাউদা কুকি'দা এটেক তৌবীরে, কনবীয়ু হায়দুনা চিঠি ইরল্লিবনি। অদুতা নত্তে, য়ু এস এ-কানাদা-য়ুনাইটেদ নেসন্স, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন, বৃটেন'নচিংবগী পার্লিয়ামেন্ট'তসু চিঠি ইদুনা ৱাকৎখি - হিন্দুশিংনা খৃষ্টিয়ানশিংগী চর্চ কয়া মৈ থারে... কুকিশিংগী খুঙ্গং কয়া মীতৈশিংনা মাঙহন-তাকহনখ্রে, মখোয়বু ওৎপী-নৈবীরে, কনবীয়ু। হিন্দু-মুসলিম উংখৎনবগুম, থোক্লিবা ৱাথোক অসিবুসু ধর্ম্মগী মচুশঙজিন্দুনা- রিলিজিয়স ৱার অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনবনি। চাওখৎ লমগী ৱাখল খন্থবা ঙম্বা লুচিংবা ঙাক্তনি, ইমোসনগা পোলিটিক্স'কা তোৎশিন্নদবা। ৱাকত্তুগী অচুম-চুমদা কৃপ্না নৈনরবা তুংদনি লাউথোকখিবা... 'ৱাথোক অসি ধর্ম্মগা মরী লৈনবা ক্লাশ নত্তে, কম্যুনিতি অনীগী মরক্তা লৈনবা মিস অন্দরষ্টেন্দিং অমদগী থোকপনি, ঐখোয়না করিসু তৌনীংঙাই লৈতে'...।

'লীন্না চীকপগী হীদাক লৈ, ফত্তবা-ঈকায়খঙদবা মীগী হীদাক লৈতে'... অঙাং ওইরিঙৈগী মপী লাইরিক্তা, ইবা তম্বদা থেংনরকখিবা ৱাহৈ পরেংদু ঙসি ফাওবা নীংশিংলি। ৱাহৈ পরেংসিগী অচুম-অরান করিদা প্রমান তৌসিগে খনফম খঙলক্তবদু হন্দক্তা খঙই ময়েক শেংনা। কুকি হায়বা মীওই কাঙলূপসি নত্তনা, ৱাহায়সিগী খুদম-চাংদম ওইবা য়াবা মীওই কাঙলূপ অমা লৈতে মালেমসিদা। ফত্তবগী মথক্তা মখোয়, কয়ামুক ৱাখল য়াওদবগে হায়ববু - 'ইম্ফাল সহরগী অকোয়বদা শেমগদবা রিং-রোদ (সহরসিবু কোয়শিনগদবা অচৌবা লম্বী), এসিয়ন দিভেলপমেন্ট বেঙ্ককী শেন্থংগী মতেংনা শেমগদব'দুগী যাত্রা হুনবই থৌরম পাঙথোকখ্রে তাবদা বেঙ্ক অসিগী প্রসিদেন্ট'তা শেন্থং অদু পীবগী সেঙ্কসন লেটর অদু কেন্সেল তৌনবা' চিঠি ইবা ঙম্মি। 'ৱর্ল্ড কুকি-জৌ ইন্টেল্লেকচ্যুঅল কাউন্সিল' হায়বা বোদি অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মথক্তা লৈবা, তৌবা ঙম্বা, য়াম্না ইনফ্লুঅন্সিঅল ওইবা অচৌবা লূপ অমনি-'সিনি মখোয়গী মাইন্দ সেট। ঐখোয়না তৌদৌরিবা থবক, হায়দৌরিবা ৱা অসি করিনো? অউবা, অতাবশিংনা ঐখোয়বু করি খনখিনি? হায়বনচিংবা ৱাখল অদু খন্থবা ঙম্বা ন্যুরোন সেল য়াওবা লুচিংবা অমত্তসু মখোয়'-মরক্তা য়াওরম্লবা...কুকিসু মী ওইরম্মি, ঈংনা-তপ্না লৈমিন্নবা য়ারম্মি। অদুবু হৌজিক্তি খঙলে-মখোয় মী ওইদরি।

'নার্কো-টেররিষ্ট' হায়বসি কুকিশিংদা মীতৈনা পীবা মিংথোল নত্তে। মালেমদা লৈরিবা মীওই ফূরুপ অমা হেক্তা ওইবা য়াই- অমেরিকান/বৃটিশ/রসিয়ান! নৎত্রগা, মীতৈ/নাগা/পঞ্জাবী! লৈবাক্কী য়ুনিটি অমদি ইন্টিগ্রিটি-ঙাকপা নৎত্রগা থুগায়বা, খেন্নবা লৈতে মখোয়দা। অদুগা, ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট! কাঙলোন লান্না লৈবাকসিদা চঙশিল্লক্তুনা লৈরবা মীতোপ মশক খঙদোক্লগা মরমদমদা হলহনখিবা হায়বা ৱাফমসিদা কুকিনা অসুক কন্না শাউরিবা/য়ানীংদ্রিবা করিগীনো? 'হুরানবা! নকোক্তা নাপী পক্লে' হায়রুবদা অশেংবা হুরানবা অদুনা মকোক্তা মাদুনা য়েংই হায়বগী থৌদৌদুরা, কুকিশিংনা কন্থী থোকপমখৈ শাউরিবা? কুকিশিংবু রিফ্যুজিনি হায়বীরে - মফম খুদিং লাউরিবা, শেমজিন শাজিনবা মখোয়গী ইতিহাস পারুবগী মহয়নি। মীতৈ/ময়াং/পাঙল/চীংমী-ইল্লিগেল মাইগ্রেন্ট অমা হেক্তা ওইবা য়াই। লৈরে হায়বা খঙলবনা মশক খঙদোকসি হায়বনি। উমং কোকথোকপা হায়বসিসু থৱায় পানববু শেম্বীবা ইশ্বর মাবু শীংনবনি, উমং য়োকপা হায়বসিনা মপূগী চঙজফম শেম্বনি। ইস্যুসিদা লান তৌনী তৌরিবা কুকিশিং-মীওইবনি করম হায়গনি।

*-ইন্দ্রকুমার*

# য়োংগা সেলফি

মতোমতা পোকচবী মার্টিনা নীংঙাই য়াম্না কল্লি। মানা হায়রিবমখৈ মনীং থুংনবনি হায়দনা মমা জানধোনা মপা খঙহন্দনা মানা লৈবীয়ুদা হায়রদি লৈনবা হোৎনৈ। অদুবু হন্দক মাগী দিমান্দসিদি ওম্থোক্লা চাউখ্রে। মোবাইলবু লুপা লাখ অমা হেনবা 'এপ্পল' গীনি হায়ৱা কৈনো অমা লৈবীয়ু হায়রিনে। শেলসি য়াম্বনিনা মপা খঙহন্দবা য়াদ্রে খন্দুনা জানধোনা মপাদা তমজৈ। মপানা অদুক য়াম্না তাঙবা মোবাইলদু পায়দ্রদি য়াদ্রবা ইবেমা।

মার্টিনানা খুন্মী - 'হন্দক্কী মোবাইলসিদা কাপ্পা ফোটোদি ফজহনগে য়াই, ঙৌথোকহনগে য়াই, খুফজা অমনি, সেলফিগা নম্বদি খুন্নুংঙাই অমনি'।

মপানা হায়রকই - 'বেম অদুদি ববাসু নোং ফাদোক ৱাইগে, ঐসু শক ফজথোকপা ঙম্ব্রা য়েংগে...'

মপা-মচাগী ৱারী শানবদু তারগা জানধো মৈ হৌখৈ শাউখ্রে।

জানধোনা হায়রকই - 'লৈরো লৈরো পাখং মচা মান্নবা, কাপ্লো-কাপ্লো ফোটোগদো, থাগৎলো মোইগী য়োংগী ফেসবুকতুদা অদুদগী লৈশাবী নশুগুম্বী ময়ামদুগা মেসেজগদু কাপ্নরো, কম্মেন্টকাদো পীনরো'।

'কৈনোনে মমা নঙনা ঐঙোন্দা লোইনা ওনশিল্লক্লিসিবো'।

জানধোনা শাউনা খুন্মী - 'জানধো ঐসে লৈশাবী কাল্লক্তে, ইচানুপীনা খল্লিসু খঙই, মোই বাবানা খল্লিসু খঙই, ঐসে জানধোনি জানধো'...'নঙগী মোবাইল হেন্দসেটতো লৈররোই নপা-নচাগী ঈরাংসি উবদা'।

মার্টিনানা - 'ইমা ঐদি য়ারোইকো ঐখোয় ভাই ময়াম অমা ফেসবুকতা 'কংলৈ সেলফি গ্রুপ' কৌবা অমা শেম্লগা খরা পোপ্যুলর ওইহন্দ্রদি য়াদ্রে।

'নঙগী ঈরাংসি হেনমল্লিকো দোশা তাজনি। পোপ্যুলর ওইনবনি হায়দনা নোইগী অনিকপীগদু থাগৎলুনুকো। মীনা য়াম্না থীনা ঙাঙনখিনি। অহল লমন্না ৱারকপা ঙমদবা লৈশাবীকা মানখিনিকো। য়াম্না লুবনি নিঙোলগী পূন্সি। নফি নরোলগদু ফজনা চেকশিন্না শেৎ চারগা কাপ্লুকো ফোটোগদো'।



নঙনা ৱেষ্টনগী চৎনবী পাল্লিবনি কায়দনা ফিজেৎ ফিগাই শেৎপোই শেত্তবোই তৌবদু শেৎলগা নম্বুল তুরেল মপালদা নুংশা য়াইবগা য়াবা নত্তেকো। লমদমসিনা মণিপুরনি মণিপুর। নঙ ৱাখল তাওকো...। 'ইমাসিমা'...।

ইবেম্মা মোবাইলদু লৈবীরগে অদুবু নপাদি ৱাইহনবা য়াদেকো। ওম্থোক্লা ৱানা লৌ শঙম অমা য়োম্থোল্লগা মোবাইল লুপা লাখ পীবদু লৈবগী ৱানি। অদুবু কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসিনা হানখিবনা মণিপুর পূম্বা কর্ফিয়ু থমজিনখি।

অহনবা কেমেরাদুনা য়ূমগী মপান্দা কোয়থোক্তুনা ফোটো অমফাও নম্বা ফংজদ্রি মার্টিনাদু। মানা ৱাখল অমা খল্লি, মখোয়গী কংলৈ সেলফি গ্রুপ কৌবা অদুদা পাউ পীরে। ভাই লাক্লিবা সন্দে নুমিত্তা শেল খায়জিন্নরগা য়োংগী মচীঞ্জাক থাবা চৎলুসি অদুগা য়োংগা সেলফিসু নম্মীন্নসি। পুলিসনা হংলক্লবসু য়োংগী মচীঞ্জাক থাবা চৎপনি হায়রসি।

সন্দে য়ৌরে, মখোয় সেলফি গ্রুপকী মেম্বরশিং পুল্লে। শেলসু খায়নরে। য়োংগী চানবা পোৎ চৈ লৈরুরে। মফমদু য়ৌরকান্দা য়োং ময়ামদুনা য়োমশিল্লকপা হৌরে। অচা-অথক ময়ামদু য়োংদা পীজবা হৌরে। তাঞ্জা অদুদা মার্টিনা য়োংজাউলাবা অমগা সেলফি নমদৌরিবনি হায়দুনা মচিন্দু খরা তুমথোক্লগা পোজ তৌরিঙৈদা খঙহৌদনা য়োংজাউদুনা মাগী লুপা লাখ পীবা মোবাইলদু লাক্লগা পুখিবগী ৱানি।

মার্টিনা কন্না লাউজৈ অদুবু মোবাইল পায়রগা য়োংজাউদুনা ৱাংলবা হৈনৌ পাম্বীদুদা চেনখৎখ্রে। মার্টিনা কপচৈ অদুবু পাম্বৈ লৈতে। য়োংজাউদুনা ৱাংলবা হৈনৌ পাম্বীদুদগী মার্টিনাগী লুপা লাখ পীবা মোবাইল ফোনদু মখাদা লংথরকই। লুপা লাখ পীবা মোবাইল ফোনদু পূমচাই চাইরে।

পাম্বৈ লৈত্রবী মার্টিনা ময়ূমদা কপ্লগা চেনশিনখি। মমানা হংজৈ, 'কৈদৌরে'।

মার্টিনানা খুন্মী 'ইমা ঐগী পূন্সিসি য়োং তারে''

'কৈনোনে য়োং তারে হারিসিবো'।

'য়োংনা ঐগী মোবাইল লাক্লগা থুগাইখ্রে'।

মমানা - হা... ঐ লোইরে... লৌ য়োল্লগা লৈখিবা মোবাইলদো, হায়রম্লগা মমাদু লৈমায়দা লোংনা হাইথখি।

(কোভিদ লাল্লক্তা ইখিবা)

*-আর কে বুধিমন্ত কর্টা*

# ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিএসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ডাক্তরশিংগী খোমজিনবা


## শৈরেং লাইরিক 'চীংনুংগী হারি' - মীৎয়েং অমা - (২)

**হুইদ্রোম জশোবন্ত সিংহ** - নীংতম্বা হায়বসি য়াম্না লুবা অদুগা ইরায় লায়না ৱাহন্থোক পীবা য়াদবা ৱাহৈ অমনি। ৱাহৈ অসিদা লাঞ্জাও কয়া থোকখ্রে। মীওই লাখ কয়াসু শিখ্রে। হৌজিকসু শিবা লেপত্রি। লানসু লোইবা নাইদে। কবিনা মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা ফুরুপ কাঙলূপশিংবু লৈকোল অমদা লৈরিবা মচু মখল মখা কয়াগী লৈরাংশিংগা পাংখক ওইনা চাংদম্নরি। চাউরবা উপালশিংনা নুমিৎকী মঙালবু খনজিনবদা অপীকপা লৈরাংশিংনা ৱাকৎলি। অশেংবা নুংশা শ্বর হোঞ্জগে হায়না। পূন্না হিংমিন্নসি হায়রি অপীকপা লৈরাংশিংনা। অদুনা হায়রক্লি 'নীংতম্বা' হায়বসিদা, 'উরীনা অকিবা ঈহৌদা তাল্লি নীংতম্বা/নীংবা থুংদ্রবা খোঞ্জেলনা নীল্লি/... মচু-মচুগী লৈরাংশিং মচোই মচোই চৎনীংলে/লৈরাং লৈরেন্নদি থম্মোয় শোক্লা য়াদে/থেমজিল্লি হৈ-শিংনা হিংখিসি অমত্তা ওইনা'' (লা: ৪৮) নীংতম্বা হায়বদু পূন্না নুংশিনা লৈমিন্নরবা মতমদা ফংগনি হায়বা পাউজেলনি কবিনা চেল্লিবসু।

শান্তিগী পাউজেল অমদি চেন্নীংই মেরা থাউমৈ থানবনা লাকপদা। নুংশি মপাউ অমসু তম্লিংই তাল্লা লোইবী নাপোমদা লৈহৌরবী চেংলৌ হেনবী লোইবী চনুরা মহাক্কী মফমদা। থাবলনা ইপোম হৌরবা মেরাগী থানিলদা নীংশিংদবা শুকঙম ঙমদে মোং হাদবী নুজা মহাকপু। মৈশা অমদি লাংদুনা লৈহৌরি তাম্নখিবগী। অদুনা কবিনা থম্মোয়দগী থোক্লকপা য়াৱাগা লোয়ননা পাউমেল্লক্লি 'মেরাগী থাউমৈ' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা, ''থাজগুম মোমোন নোকউ নহাক্তি/ ৱারগনু অমুক হন্না/ঐ হিংলি ঐ য়াইফরি খঙনা/মেরাগী থাউমৈনা শাক্কিনি/... য়েংলকউনে ৱাংল' চীংদোলথক্তগী/উগনি শোয়দনা তমগী মৈরাসে/থম্মোয় খুদিং ঙালহনসি/নুংশি খুদম ওইহনসি...' (লা: ৫১)

**থোকচোম নন্দকিশোর সিংহ** - তমথীবা পেন্দমিক কোরোনা। অলাক অখংনখি। পাম্মুরবা নুংশিরবা থৱায় কয়া খাঙুথক্তা পিখম্নখি। অশিবা হায়বদু কয়াম শাথীবগে হায়বদু কোরোনা লাকপদা খঙনখি। য়ূমদগী মপান থোকপা কিনখি। মী অমগা মী অমগা উনবা ফাওবা কিনখিবনি কোরোনা লাকপদা। মসিনা পূন্সি অসিবু কয়াম পাম্মুবগে, নুংশিবগে হায়বদু কবি নন্দকিশোরদসু ফাওহনখি অদুনা ইরকপনি 'কোরোনা' কোরোনা নুংশিবী/নহাক্লা খঙহল্লে ঐহাকপু/পূন্সিগী মহাউ/শিবা চঙবা।/...ময়েক শেংহল্লে ঙসিদি/অশিবগা অহিংবগা কয়াদা খেন্নরিবা...'' (লা: ৫৪)

মালেম তাইবঙপাল অসিবু শেম্বীবা শকউদবা লৈশেম মপূ অমদি লৈ হায়বসিদা থাজদবা কয়াসু লৈতবা নত্তে মীওইবা মরক্তা। অদুবু মখোয় পূন্নমক পূন্সি নুমিদাংৱাইরম য়ৌরক্লবা মতম, পূন্সি পোলোইগী মতম্না লাক্লবদদি চংজদবা ঙমদে। পূন্সিবু নুংশিরক্কনি। লাইনীং লম্বেলদা চৎনীংলক্কনি। মসি তাইবঙ মীওই মপোক্তা পোক্লবা কয়ানা থেংনবা পূন্সিগী মশক অদুনি। কবি নন্দকিশোরসু ইদবা ঙমদে পূন্সি অমসুং লাইনীং লম্বীবু হেন্না খঙনীংলকপা অমসুং পূক্লিং থম্মোয়না শান্তি পাল্লকপা মীৎকুপশিংদা। অদুনা ইরক্লি, 'চঙজবা' হায়না মিংথোন্দুনা ''*ধ্রুব নারদ মুনি/লিশীং কয়ানা চহী কয়া/তপ তৌবদা ফংঙমদ্রবা/নখুয়া থম্বালবু/তোল্লবদগী তোল্লবা/হিংলিবা পূন্সিগী, নোংমগী শিন্থা পুরিঙৈ...করম্না খঙলুগনি অথুপ্পা ইবুংঙো নহাকপু, নহাক্কী খূৎশেম্বু?/* (লা: ৫৫) থেংলসু থেংনা মপূ মহাক্কী মফমদা চঙজরগে হায়না থম্মোয়না লেপ্লি। মপূ মাগী মিংখৈ শোন্নীংলকই।




লাইরিক্কী মমিং :-
চীংনুংগী হারি
এদিটরশিং :- ডা. ইরুংবম দেবেন
অমসুং ডা. অকোইজম ইবোহল
অফোঙবা :- ইন্দিয়ান মেদিকেল
এসোসিএসন, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ
লাইরিক্কী মখল :- শৈরেং
লমায় মশীং :- ১৪৪
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ৩০০/-
লাইরিক্কী মখুম :-
ডা. ইরুংবম দেবেন

**নোংথোম্বম হেমন্তকুমার সিংহ** - মীওইবসি য়াম্না শাথীবা লায়না খরনা নাদুনা লাক্লি। লায়না খরদি টিকা থারগা ঙাকথোকপা ঙম্মী। অঙাংশিংবু টিকা থাদোকপীরি লায়না-তীলনাদগী ঙাকথোক্নবা। তৌইগুম্বসুং মীওইবগী নাপল, ঐ মঙায়রে হায়বা লীচৎ, অকনবনা অশোনববু তুহৎপা, লান তৌবা, অফবদি শাবা, শান্তিগী পাউজেলদি পীবা অদুগা মখূত্তা খূৎলায়দি থাদোক্তবা অদুগুম্বা লীচৎ অদুদগী ঙাকথোক্নবা টিকাদি থাররোইদ্রা হায়না করিসু খঙজদ্রিবা অঙাং নাৱা অমগী ৱাকৎ ওইনা পুথোক্লক্তুনা মীওইবগী তমজনীংঙাই করিসু ওইদ্রবা ফত্তবা লীচৎ অদু পুথোক্লক্লি 'পীক্লিবা নাৱাদুগী ৱাকৎ' হায়বা শৈরেং অসিদা। য়েংবীয়ু- *'হিংলিবা তাইবঙ মালেমদা/পলেম ইমাগী শিয়োম্নুংদগী...হেক পোকপদগী হৌরগা/লাইনা তীলনা চঙদনবা/টিকাদি তোয়না থাদোকপী/মাঙ তাকহনবা লাল্লোংশিংদো/চমজরিবা অঙাং ঐখোয়গী/পূক্লিং হকচাং, লূ-তোংনা/তুংদা অমুক মতৌ তম্লক্তনবা/টিকাদি নোংমতসু থাদোকপীদে।'* (লা: ৫৬)

লৈবাকী ৱায়েল চূক্লি পায়রিবশিং, লৈঙাক্কী থৌশিল য়াৎলিবা য়াইতোং ফমদোংবা কয়ানা মীখল মায় পাক্লবা অমসুং শক্তি খক পায়নবা হোৎনবদা ঙসি মণিপুর মীকপ মীরাওখোল, শেৎন-খায়নবগী তেংথাখোলতনা নিল্লবা লমদম হায়বদু ওইরক্লি। কাঙলূপকী লান অসিগী চৈথেং, মসিনা তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলদা অমসুং মণিপুরী খুন্নাইদা পীরিবা খ্বাইদগী ফত্তবা অমসুং মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অমাঙ-অতা পূন্নমক খল্লুবদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইজদে কবিনা। অদুনা পেন্দবা নুংঙাইতবা কয়াগা লোয়ননা ইরক্লি, 'চুহৌবা মচু তাহৌবা দাগফম' হায়না মিংথোল্লদুনা ''*য়ূম কৈ পূন্সি খুন্তাক লানশিহন/...নাকপাক তানা শোকহনখিবদো/...য়াৎহৈদবা লানগী লাল্লোংনি/য়ূমতাক কৈতাক খুন্তাক লানশি/মীহাৎ তুহাৎ হিংচা য়াইতম্বা লান্দুগী/কোকপা নাইদনা চুহৌরগদবা মচুদি/...কোকপা নাইদা/চুহৈদনা চুহৌরবা য়েংহৈদবা লানগী মচুদো/...মূৎপা নাইদনা তাহৌরগদবা/লান্দুগী দাগফমনি।*'' (লা: ৫৭) লৈরাং খূজেক খূজোক কৎলবসু মিৎলু পিরাংগা লোয়ননা কাউবদি ঙম্লরোই অসিগুম্বা লানগী তমথীবা শক্তমশিংদি। মসিবু মীওইবগী মচৎলা। মসিবু তৌহৈরিব্রা হায়না হংনীংই কবি হেমন্তকুমারনসু।

**ইরুংবম দেবেন** - ঐখোয় মীওইবনা তাইবঙপাল অসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লিবসি চহী চা কয়াগী মমাঙ নীংশিংবা থোকত্রবা মতমদগীনি। অদুবু মীওইবনা মালেমসিদা হিংলিবা অসি মহৌশা মহাক্কী মশাইকোলদনি হায়বসি করিগুম্বা মতমদা নীংশিংবা ঙমদে। মসিগী মহুত্তা মীওইবদি খ্বাইদগী কনবা হৈশিংবা লৌশিং লৈবা ওইনা হেক হেক খল্লি। শিগনি হায়বসিসু হেক হেক কাউথোক্লে। কবি দেবেননা মহৌশাবু মীৎনা উবা লাইগুম্না নীংলক্লি। মানি মীৎনা উবা লাই হায়রবদি মহৌশানি। মরমদি তাইবঙনা হিংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎচং পূন্নমক মহাক্লা পীনবীরি। মদুগী মমলসু অমুক লৌবা নত্তে। মাদি ইমাগী শক্তমনি। অশেংবা মরুপনি। অদুনা মহৌশাদা চঙজবনা পূন্সিগী অশেংবা মশক অদু খঙবা ঙমগনি হায়বা পাউজেল পুবা শৈরেংনি 'মহৌশা' *'হে মহৌশা!/...খঙলকই থেঙলবতদা/লৈরমদরে নঙ নত্তনা ঐখোয়গীনি হায়বা/ঐখোয়গী অশেংবা লন/অশেংবা মরুপ...'*

মালেমসে ঙসিদি ক্লাইমেট চেঞ্জগী চৈফু চৈথেং য়াম্না শাথীনা মায়োক্নরক্লি। এক্সত্রিম ওইবা ক্লাইমেট অমসুং অঙ্গং অশাগী খল অসি শাথীনা হোংলক্লি হায়বসি মীপূম খুদিংনা থেংনরি। নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা মীশিংনা উমং কয়া, চীংজাউ কয়া ঙসি ইকোক কোক্লক্লি। অদুবু মহৌশাগী খল কায়রে হায়বা খঙলবসু থৌশাদবা মীওই কয়া লৈরি। অদুগুম্বা মীওইশিংদা অমসুং মীপূম খুদিংমক্তা নৌহৌনা নীংশিংহন্নীংই উপাল থাবগী মরু ওইবদু। মফম চানা, মতম চানা উপাল থারবদি মদুগী মহয় ফংগনি। মহৌশাবু কন্নবা হোৎনবদা নহাকপু পাঙদবা মীনি করিসু হায়রক্লোই। অচুম্বা ৱারেপ অমদি লৌফম থোকই হায়নীংলি কবিনা অদুননি তেন্তকপা শৈরেং 'উ থাসি' হায়বসিদা ফোঙদোক্লক্লিবা *'উ থাসি ঐখোয় উ থাসি/নীংথিনা য়েংশিনবিদ্রবা ইঙ্খোলদা/তেক কায়রবা সহরগী অকোয়বদা/নাইতোম তারবা লম্বীগী নাকলদা/অৱাং-অপাতনা নুংশুক নুংজানরিবা/লোইবী চীংগী নাপোমশিংদা...চৈরক্লোই নঙবু পাঙদবনি হায়দুনা/অদুনা উ থাসি ঐখোয় উ থাসি।'*

মপূংদা য়েংবদা অমসুং পাবদা ফজরবা মপূং য়াম্না ফারবা মহৈ চুম্লবা শৈরেং কয়া চীংনুংগী হারিদা থেংনবীগনি। মণিপুরী খোরিরোলদা মমল নাইদ্রবা খুদোল অমনি হায়না লৌদবা ঙমদে। মতুংদসু হেন্না চাউবা শৈরেংগী ভোল্যুম পুথোকপীরক্কনি হায়না থাজবা থমজরি।

*- তোংব্রম অমরজিৎ*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।